### এন হাজারি অমদি ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

# মেজর করন পোলো অমদি এ আর পোলো প্রি ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৬শুবা এন হাজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা মেজর করন পোলো ক্লব ককৱা অমদি এ আর পোলো টিম কৈথেলমানবী মায় পাক্তুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায়পাকখিবা মেজর করন পোলো ক্লবনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (আই আর সী)-এগা নভেম্বর ৫দা প্রি ক্বার্টরদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মেজর করন পোলো ক্লবনা অর্বিন পোলো ক্লব-এ ইরোইশেম্ববু ৭-২দা মায়থীবা পীখি।

টিম অনীনা অহানবা চক্করগী শান্নবদা শগোল হনগৎ-হন্দা থৌনরবা মতুং গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা চক্করদা ককৱা টিমনা খূদুম চন্না শান্নবগা লোয়ননা টি ঐচ সন্তোশনা শান্নবা হৌরকপগী ১.০৫দা মেজর করন টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৫.৪৮দা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। এন প্রেমানন্দনা শান্নবগী ২.৩১দা ককৱা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর লোইরমদাই শান্নবগী ৭.১২দা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। টিম কেপ্টেন এন প্রিতমনা শান্নবগী ৬.১১দা ককৱা টিমগী মরিশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা অর্বিন পোলো ক্লব এবু ৫-০দা অনীশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল অমমম্ চনশিন্নদুনা মেজর পোলো ক্লবনা অর্বিন পোলো ক্লব-এবু ৭-২দা মায়থীবা পীখি।

টিম কেপ্টেন এ কে ইবোমচানা অহুমশুবা চক্করগী ৬.৩৪দা ইরোইশেম্বা টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা মরিশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.৩৪দা টিমগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

এন প্রেমানন্দনা অহুমশুবা চক্কর লোইরমদাই শান্নবগী ৭.০৭তা মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৬শুবা গোল চনখি। টিম কেপ্টেন এন প্রিতমগী মহুৎতা মরিশুবা চক্করদা চঙলকখিবা এন সদানন্দনা শান্নবগী ৪.১৪দা ককৱা টিমগী মায় পাকপগী ৭শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা এস ভাইকিং অমদি কে ঐচ দিনেশনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা এ আর পোলো টিম কৈথেলমানবীনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল-বি শীংজমৈবু লাকচনা ১১-০দা মায়থীবা পীখি।

এ আর টিমগী কেপ্টেন কে ঐচ চন্দ্রকুমারনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ৩.৩৭তা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ৬.১৬তা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ১.২৫, ৪.৩৫ অমদি ৬.১৭তা গোল ৩ হাপচিন্দুনা শীংজমৈ টিম-বিবু ১১-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

রিয়াকট অলিনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ৬.২৩দা এ আর টিমগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা চক্করগী শান্নবগী ৬.৪৮ অমদি ২.০৬তা গোল অনী অমগা হাপচিনবা ঙমখি। কে ঐচ সুশিলোনা অনীশুবা চক্করগী শান্নবগী ০.২৪ অমদি ৫.৩৪দা এ আর টিমগী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা গোল চনখি। অদুগা টি ঐচ প্রেমানন্দনা অহুমশুবা চক্করগী ৫.১৮দা মায় পাকপগী ৮শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

### জুনিয়র গর্লস নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ

# সাগর চনু অমদি সুপ্রিয়া সেমীফাইনেল চঙখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা খুমন লম্পাক্কী বোক্সিং এরেনাদা চথরিবা ৫শুবা জুনিয়র গর্লস নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অনীদা মায় পাক্তুনা ষ্টেটকী বোক্সর সাগর চনু ময়েংবম অমদি সুপ্রিয়া থোকচোম সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

কেজি ৪৬-৪৮গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা সাগর চনু ময়েংবমনা উত্তরখন্দগী নেহা লুম্থিবু ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

চপ মান্নবা ৱেথ কেটগোরিগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটশিংদা হরয়ানাগী পরিনা হিমাচল প্রদেশকী অঞ্জলি, মহারাষ্ট্রগী পালক জাম্বারেনা অসামগী রিম্পি পেগু অমদি রাজস্থানগী দিসা গোদানা পঞ্জাবকী অর্শপ্রিট কোরবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

সাগর চনুনা হরয়ানাগী পরিগা সেমীফাইনেলদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, কেজি ৫২-৫৪ কাঙলূপকী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা ষ্টেটকী বোক্সর সুপ্রিয়া থোকচোমনা হরয়ানাগী ভিনিবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

সুপ্রিয়ানা অরুনাচলগী টার্হ পায়াগা সেমীফাইনেলদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লম্বা তৌনরগনি।

কেজি ৪৪-৪৬ কাঙলূপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা ষ্টেটকী বোক্সর থোইচা এলাংবমনা হরয়ানাগী লক্ষমী সিংহগী মখূৎতা ১-৪; কেজি ৪৮-৫০গী কাঙলূপ্তা মণিপুরগী এস্থর বাইটৈনা মধ্য প্রদেশকী টনিস্ক সির্ভিগী মখূৎতা ১-৪; কেজি ৫০-৫২গী কাঙলূপ্তা ষ্টেটকী বোক্সর অঞ্জলি সোইবমনা উত্তরখন্দগী দিম্পল য়াদবকী মখূৎতা য়ুনানিমস দিসিজন ০-৫ অমদি কেজি ৫৭-৬০গী কাঙলূপ্তা সন্ধ্যরানী তেন্সুবমনা উত্তরখন্দগী নিকিতা চান্দগী মখূৎতা য়ুনানিমস দিসিজন ০-৫দা মায়থীহৌদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদগী লৈহৌখিবনি।

### দি এস এ ককচীং সেকেন্দ দিভিজন লীগ হৌদোকখ্রে

# আর এফ সী অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা দি এস এ ককচীংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোবীনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা রোয়ল ফুটবোল ক্লব (আর এফ সী) হিয়াংলম ৱাবগাইনা এফ সী ককচীং খুনৌবু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এম দি সলমাননা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা হিয়াংলমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। নুর অহমদনা শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা অনীশুবা অদুগা স্বামিকুমারনা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা হিয়াংলমগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা আর এফ সীগী মায় পাকপগী মরিশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি রাজেশ কোমনা ককচীং খুনৌগী কে এস ঐচ মোটিলাল অমদি আর এফ সীগী কেলেব গাংমৈবু শান্নবগী ১১ অমদি ১২দা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম অহুম্না দবল লেগ বেসিসতা অথোই অহেন তান্নগদৌরি।

HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)

### থুংখু মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# বুংরিংগী হেটট্রিকনা সেন্ট পেটুং চাওনা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): বুংরিংনা চনখিবা গোল ৩ অমদি অলেক্সনা শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা (এল) সেন্ট পেটুং এম টিনা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স এস সীবু ৪-০দা চথরিবা অহানবা থুংখু ৯-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

বুংরিংগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মহাকপু রেফরি খুমলোনা শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সুগ্নু এফ সী অমদি পি এম টি গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

অতোপ্পা গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ননটাল এফ সীনা উনোপট এফ সীবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ননটাল এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু থোমাস কেপ অমদি থোমাস মুংনাওনা শান্নবগী ২১ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি থুম্লিনা ওপনিং গোল চনখিবা ননটালগী থোমাস কেপ অমদি উনোপটকী ফোলদাম শান্নবগী ২৯ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

# লোয়ালাকপা, বসন্ত, সকুন্তলানা হোক্কী ইন্দিয়া কোংগ্রেসতা শরুক য়ারগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিদা হোক্কী মশান্নবু পাক-শান্না চাউখৎহন্নবা, চহী ২০-২৩গী নুপা অমদি নুপী টিম শেমগৎনবা অমদি চহী ২০ মখাগী গ্রাসরুট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মতাংদা য়ূম্ফম ওইদুনা ন্যু দেল্লীদা নভেম্বর ১২দা হোক্কী ইন্দিয়াগী ১২শুবা কোংগ্রেস পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট খোইরোম লোয়ালাকপা, সেক্রেটরি এল বসন্ত অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট চনম্বম সকুন্তলা অহুম্না শরুক য়াগরনি। মখোয় অহুম্মক মণিপুর হোক্কীগী এগজিক্যুটিভ বোর্দকী মীফম অমা ওক্টোবর ২৬তা পাঙথোক্লবা মতুং খনখিবনি।

# জুভেনাইল ক্লব, কে এ এন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা মালোমগী ৱাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ১১শুবা কর্নজিৎ সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জুভেনাইল ক্লব তেরানা থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়ন (থাও) থাংমৈবন্দবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

জুভেনাইল ক্লবকী মায় পাকপগী গোল ২ অদু রোজেন অমদি শিটলনা শান্নবগী ৫ অমদি ২৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। থাংমৈবন্দগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মৈরাবনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা জুভেনাইলগী তোমপোকচাও অমদি লোয়ালাকপা রেফরি টি ঐচ রোবিননা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে এ এন কদাংবন্দনা ঈ এস এ ময়াং ইম্ফালবু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

কদাংবন্দগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দারিবোইনা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ১ অমদি এম দেব মৈতৈনা শান্নবগী ৭৬ অমদি ৮০ শুবা মিনটতা ২ চনবা ঙমখি। ঈ এস এগী গোল ২ অদুনা ৱাই জিংলোদার অমদি সর্টো লাবাননা শান্নবগী ৪ অমদি ৪৯ শুবা মিনটতা চনখি।

# কংলৈ এফ সীনা ঈ ঈ ও থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা চথরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচ অমদা কংলৈ এফ সী থৌবাল কিয়ামনা ঈ ঈ ও লমদিংবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

কংলৈ এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সন্তোশনা শান্নবগী ২৮ অমদি ৪৬ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা সনাজাওবনা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি। লমদিংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মায়পাকসনানা শান্নবা হৌরকপগী ৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা হৈরোক য়ুনাইটেদনা পি এ দি এস দব্লিয়ু লাংঙথেলবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

রোমিওনা শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা হৈরোক্কী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। থৱানতবীনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা অনীশুবা অদুগা ইবোমচানা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা হৈরোক য়ুনাইটেদকী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি লটিফ অলিনা লাংঙথেলগী এন চাওববু শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

# এ আই এফ এফনা এ এফ সী দিপ্লোমা কোর্সকী কেন্দিদেট ২৪ লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ (ঐচএনএস): খুমনলম্পাক ম্যোন ষ্টেদিয়মদা নভেম্বর ১০দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী-বি দিপ্লোমা কোর্স (মোদ্যুল-১)দা শরুকয়াগদবা কেন্দিদেট ২৪গী মমিং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা লাউথোকখ্রে।

কেন্দিদেটশিং অদুদি- মোইরাংথেম দেবেন, কুমাম সেমসন, হর্প্রিট বেদি, রুটুজা রাজন গুনৱান, তুইরেলসেম খমরাং, কমলরাল অনাদুরাই, তখেলচংবম প্রেমচান্দ, হংখানলিয়ান সোনটক, সাম্যুএল লালরিনঙেটা ফনাই, লালটোলিয়ানা রেন্থলৈ, নিখিল মেনন, সাবারিনাথন পুগালেন্দি, প্রেমজিৎ সোরাইসম, ইর্ফান সিদিকি, মাইবম সুভাশ, ললিট থাপা, থাংজম সরন, সুব্রতা পোল, মোহমদ অশিক, আর লালরোটফেলা, জুলিয়স পাফিনো, য়ুরঙম জিমিক, সোরাইসম রোশিকুমার অমদি কৈশাম হেরোজিৎনি।

কেন্দিদেটশিংনা নভেম্বর ৩গী পুং ২দা কোওর্দিনেটরদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

HL-P/4575/1-30/11

### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# মীয়াম পূন্না খঙমিন্নরসি...
# কনা কনানা করম-করম্বা টিমদা লেপ্লি




## মতমগী খোঙচৎনা লেপ্তনা চৎপনা শুপ্নগী নুমিৎ ১৯নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লে



*ইন্দিয়ন ফুটবোলগী দুর্গা হায়রগসু খঙনবী ওইনাম বেমবেম*

কটারনা য়ূম্বু ওইদুনা নভেম্বর ২০দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিদা খ্বাইদগী পামজবা টিম স্পেননা ওইরি। মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা স্পেননা টাইটল লৌগনি থাজে হায়না ইন্দিয়ন ফুটবোলগী দুর্গানি হায়না খঙনরিবী অর্জুনা এৱার্দী ওইনাম বেমবেমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবা অমদা বেমবেমনা ফোঙদোরকখিবদা, ঐগী ওইনা স্পেনগী শান্নবগী ষ্টাইল অসি য়াম্না পামজৈ। হন্দক্কী কটার ২০২২ অসিদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মিদফিল্ডর কোকে, রিয়াল মাদ্রিদকী দিফেন্দর দেনি কর্বাজল, বর্সেলোনাগী মিদফিল্ডর সর্জিও বস্কিট অমদি চহী নৌরিবা বর্সেলোনাগী পেদ্রিগী তোপ-তোপ্পা ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিংনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনবগা লোয়ননা টাইটল লৌবা ঙমগনি থাজে হায়খি।


হন্দক্তা গুজরাটতা পাঙথোকখিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসকী নুপীগী ফুটবোলদা মণিপুরনা ৱিন্নর ওইখিবদা টিম কোচ ওইখিবা বেমবেমনা মখা তারদুনা ষ্টেট টিম অসিদা য়াওরিবা চহী নৌরিবা প্লেয়রশিং নীংথিনা ট্রেনিং অমদি মতিক চাবা দাইট পীবীদুনা ফিজিকেল ফিটনেস লেভেল ৱাংনা থম্বা ঙম্লবদি তুংদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্তুনা ষ্টেট অসিখক নৎতনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙমগনি থাজে।

'ঐখোয়গী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনা ইন্দভিজ্যুএল লেভেলদা য়াম্না ৱাংনা কনফিদেন্স লৈবা মথৌ তাই।' মসিখক্তনা টিমগী শান্নবদা অচৌবা মায় পাকপা পুরকপা ঙমগনি।

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোকপা অন্দর-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী ইন্দিয়া টিমগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা অকনবা রাইভেলশিংগা থেংনবদা চিংনবা লৈখিদবা অসি য়াম্না থাগৎলি অমদি মখোয়গী তুংগী পূন্সিদা অচৌবা পারা অমা শোয়দনা তমহৌরগনি। ঐ ইশামকসু অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসিগী ওপনিং মেটচ হকথেংননা চৎতুনা য়েংহৌখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 615

**FM Jens Hirneise (2327) - Artak Manukian (2196)**
**Titled Tuesday 18th Jan chess.com INT (11), 2022.01.18**

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nf3 d5 4.g3 c5
5.cxd5 exd5 6.Bg2 Nc6 7.O-O c4 8.Ne5 Bf5
9.Nxc6 bxc6 10.Nc3 Bb4 11.Na4 O-O 12.b3 cxb3
13.Qxb3 Rb8 14.Bf4 Bd6 15.Qc3 Bxf4 16.gxf4 Be4
17.Nc5 Bxg2 18.Kxg2 Re8 19.e3 Qc8 20.h3 Qf5
21.Qd3 Ne4 22.Nxe4 dxe4 23.Qe2 Re6 24.Rh1 Rg6+
25.Kf1 c5 26.dxc5 Qxc5 27.Rg1...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 614 Ans. :**

10. ...Ra3 The black rook deflects White's pawn away from protecting the knight. Opening the line from c3 to a1. 11. bxa3 Bxc3+ The black bishop forks White's rook and king. 12. Kd1 Bxa1
0-1

Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) & CLASS -X (BOSEM)
16th November, 2022 4:00pm
5th December, 2022 3:00/4:00pm
FOUNDATION COURSE
CLASS-X (BOSEM)
8th December, 2022
Position Holders for Class-XII, 2022
6th POSITION Bidyachandra Salam
11th POSITION Moirangthem Bayashali
16th POSITION Abujam Ambedkar Singh
Position Holders for Class-X, 2022
1st POSITION Laishram Rahul
3rd POSITION Meneka Huidrom
8th POSITION Moirangthem Rex Singh
18th POSITION Chingakham Italy Meitei
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
7005517081
7085521821

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com